# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 21-03-2026)**

**ইদ (এল)ঃ** ইস্লাম ধর্ম্ম চৎপা মুসলমানশিংগী শেংলবা কুম্মৈ-ইদুল ফিটর ঙসি ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা পাঙথোকরি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা ইস্লাম ধর্ম্ম চৎপা মীওইশিংনা মসজিদশিংদা চৎতুনা লাই খুরুমরি। কুম্মৈ অসিগা মরী লৈননা মরুপ-মপাং অমদি মরী-মতাগী ইমুং মনুংশিং চামীন-থকমীন্নবা অমদি খুদোল তমবনা নুমিৎ অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইরি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি-মুরমুনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাক্কী পাউজেলদা রাস্ত্রপতিনা হায়-কুম্মৈ অসিনা শোত্থরবা মীওইশিংবু তেংবাংবা, ইশানা ইশাবু লাকশিনজবা ঙমজবা, মীনুংশি চাউবা পীনবা ওইরসনু।

রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানা মহাক্কী পাউজেলদা হায়-রামাদানগী মতমদা কৎথোকপা, ইশানা ইশা মশক তাকচবা, ঙাকপী হৈবা অমদি ইচিল ইনাও ওইবগী মরী অদু শাগৎপা হায়বসিনা পারা ওইরগা অফবা খুন্নাই অমা পুন্না শেমগৎমীন্নসি।

মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দ সিংহগী পাউজেলদা হায়-কুম্মৈ অসিনা মীপুম খুদিংমকপু ফত্তবা ৱাখল, ৱাহৈ অমদি থবক্তগী লাপা লৈননবা পুকিং থৌগৎপগা লোয়ননা অফবা মীওই অমা ওইহন্নবগী পান্দম থল্লি।

অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যব্রতানা নুমিৎ অসিনা লাকপদা মনিপুরগী মীয়ামদা মরুওইনা ইস্লাম ধর্ম্ম চৎপা মীওইশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি। মহাকা হায়-ইদুল ফিটরনা লাকপদা রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা, নুংঙাইবা অমদি নুংশি চান্নবা পুরকপা ওইরসনু।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা এম.এল.এশিং-কোংখাম রোবিন্দ্রো সিংহ, থৌনাওজম বসন্তকুমার অমসুং সৈখ নুরুল হাসননসু য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

ইদুল ফিটরনা লাকপদা মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতি (এম.পি.সি.সি)

নসু য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

**প্‌লিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং তোঙানবা তোঙানবা মফম ১২ দগী য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় ফাগৎলে।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী পাউনা হায়-ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লমলাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা হুইক্রুবী, ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা কৈরাও ৱাংখেম অমসুং শগোলমাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা চম্পাই হিলস রেঞ্জতগী য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে। খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা- পিষ্টোল ৭, স্মোগ বোম অনি, ইনসাচ এল.এম.জি. মেগজিন অনি অমদি নাইন এম.এমগী মরু ২০,এম.কে. থ্রি-থ্রি নোট থ্রি অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ ৭, নাইন এম.এম. পিষ্টোল অহুম, গ্রেনেদ অমা, এস.এল.আরগী মেগজিন অমা য়াওরি।

তেংনৌপল জিলাগী মোরে পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা য়াংঙৌবুংগী বোডর পিল্লর নম্বর ৭২, তেংনৌপল পুলিস ষ্টেসননা কোনবা লোইশি ভিলেজ অমসুং সলবোং ভিলেজকী মরক্তগী অমদি মচি পুলিস ষ্টেসননা কোনবা এস.এল.জোগমদগীসু খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎখি। খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা- পিষ্টোল ৫, আই.ই.দি. ৫০, হেন্দ গ্রেনেদ ১২, নোংমৈ মরু ৫৮ অমদি অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎলে।

ককচিং জিলাগী হিয়াংলম পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ৱাবগাই তুরেল মমৈদগী ইনসার্চ রাইফল অমা, এ.কে. ফিফতি সিক্স রাইফল অমা, দিটোনেটর য়াওদবা হেন্দ গ্রেনেদ অহুম, নোংমৈ মরু ৪১ য়াওরি।

থৌবাল জিলাগী খোংজোম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্নবা লৈবা তেকচম সনজি চীং, তেন্থা মরোংবন, নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা হাউখোং চীং অমসুং লৈরোংথেল পিত্র মনিং চীং মনাক্তগী পিষ্টোল তরেৎ, নোংমৈ মরু ৪৪, সি.এম.জি. করবাইন অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অমা অমসুং মোটার

সেল মরি য়াওরি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমশাং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা লমদেং অমসুং কামেংদগী নোংমৈ মরু ৮৫, এস.এল.আর. অমা, মেগজিন অহুম, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অনি, পিষ্টোল ১১ ফাগৎখি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ককচিং জিলাগী ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা পঙ্গলতাবী অৱাং লৈকাইদগী কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অমা ফাগৎলে। মঙোন্দগী থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, নোংমৈ মরু ২৩ ফাগৎখি।

**ফিল্ম (এল)ঃ** অহুমশুবা নোর্থ ইষ্ট হন্দিয়া ফিল্ম ফেষ্টিবেল ২০২৬, ঙসিদগী ইম্ফালগী লমফেলদা লৈবা তন্থা পোলিষ্টতা হৌদোক্লগনি।

নুমিৎ নিনি চথুগদবা ফেষ্টিবেল অসি ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গা নেসনেল ফিল্ম দিবলপমেন্ট কোরপোরেসনগী মীৎয়েং মখাদা থৌনা মনিপুর, দি.আই.পি.আর. অমসুং ওল মনিপুর ফিল্ম প্রদ্যুসর এসোসিয়েসননা পুন্না শিনবনি।

হয়েং ফাওবা চথুগদবা ফেষ্টিবেল অসিদা তোঙান তোঙানবা ফিল্ম ৯ উৎকনি।

**নোং (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাগী মফম খরদা লাক্লিবা নুমিৎ হুমনি অসিদা নোং চুরবা য়াই হায়না মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি।

তমেংলোং, সেনাপতি, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, জিরিবাম, নোনে অমসুং চুরাচান্দপুরদা অখাক অরাউগা লোয়ননা ময়াই ওইরপ ওইনা নোং চুরবা য়াই।

**লোঞ্চঃ** সরকার অসিনা লৈবাক শিনবা থুংবদা মহৈ লোইশঙশিংদগী মহৈ মশিং তম্বা তোকখ্রবা মহৈরোইশিং খঙদোক্কুনা অমুক হন্না মহৈ মশিং তমহন্নবা থৌরাং

পায়খৎলগনি।

শিক্ষা মন্ত্রালয়না হায়-২০৩০ ফাওবদা প্রি-স্কুলদগীনা সেকেন্দরিগী থাক ফাওবদা চাদা ১০০ গী চাংদা অঙাংশিংবু মহৈ মশিং তমহন্নবগী থৌরাং নেসনেল এদুকেসন পোলিসিনা পান্দম থল্লি। শেল থুম, লন্বী থোং অমদি তোঙান তোঙানবা খুদোংচাদবশিংদগী মহৈ মশিং তন্বা ফংদ্রবা অঙাংশিংবু মপুং ফানা মহৈ মশিং তমহন্নবা থৌরাং অসি পায়খৎলকপনি।

মগুন লৈবা শিক্ষা ফংহন্দুনা অঙাংশিংদা অফবা খুন্নাই অমা শেমগৎনবা লন্বীদা মীৎয়েং থল্লি। সরকারনা নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ ওপন স্কুলিং লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ষ্টদি সেন্টর লিশিং তরা হেন্না হাংদোক্তুনা লাইরিক লাইশু তন্বদা খুদোংচাদবা মায়োকরিবশিংবু মহৈ মশিং মপুং ফানা তন্বা ফংহন্নবা থৌরাংসু পায়খৎলে।

**অসাম ঃ** অসাম বিধান সভা মীখলগীদমক মীরেপ ১০৯ না পুন্না মীরেপ চে ২০৯ ঙরাং পীশিনখ্রে। জিলা ৩৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা বিধান সভা মীখল অসিগীদমক ঙরাং ফাওবদা পুন্না মীরেপ ১১৯ না মীরেপ চে পীশিনখ্রে।

মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা মতম থা অসিগী ২৩ নি। মীখল মথং থাগী ৯ দা পাঙথোক্কনি।

কেরলা বিধান সভা মীখলগীদমক ভোট খোম্বগী থবক কনখৎলক্লি। মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ থা অসিগী ২৩ নি। মীখল মথং থাগী ৯ দা পাঙথোক্কনি।

নোংচুপ বেঙ্গোলদা পাঙথোক্কদৌরিবা বিধান সভা মীখলগীদমক ওল ইন্দিয়া ত্রিনামুল কংগ্রেসকী ইলেক্সন মেনিফেষ্টো ঙরাং ফোংখ্রে। মেনিফেষ্টো অসিদা লক্সমি ভন্ধারগী খুত্থাংদা নুপীদা শক্তি পীবা, নহাশিংবু শৌগৎপা, লম লৈজদবা লৌমীশিংদা তেংবাং পীবনচিংবা য়াওরি। মীখল মথং থাগী ২৩ অমসুং ২৯ দা পাঙথোক্কনি।

অমরোমদা, পুদুচেরিদা পাঙথোক্কদৌরিবা বিধান সভা মীখল অসিগীদমক নেসনেল দেমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্সকী সিট য়েন্নবগী ৱাফমশিং য়ান্নখ্রে। ওল ইন্দিয়া এন.আর. কংগ্রেসনা সিট ১৬ তা লম্বা থেংনগনি। বি.জে.পিনা কেন্দ্র ১০ দা, ওল ইন্দিয়া এ.আই.এ.দি.এম.কে. অমসুং লাচিয়া জন্ন নয়াকা কচিনা সিট অনি অনিদা মীখল থেংনরগনি।

মরক অসিদা, তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিংগী মীরেপশিংনা মীখল অসিগীদমক মীরেপ চে পীশিন্নখ্রে। মীখল মথং থাগী ৯০ দা পাঙথোক্কনি।

**রাস্ত্রপতিঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু ঙসি উত্তর প্রদেসকী মথুরা জিলাদা লৈবা গোবরধনগী দনঘতি মন্দিরদা লাই খুরুমগনি।

রাস্ত্রপতিনা গোবরধনগী পরিকরমাসু তৌগনি হায়রি। রাস্ত্রপতিগী নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎ অসি হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতগী হৌরকখিবনি। রাস্ত্রপতিনা খোঙচৎ অসিগী মনুং চন্না উত্তর প্রদেসকী তোঙান তোঙানবা মন্দিরশিংদা চৎতুনা লাই খুরুমখি। রাস্ত্রপতিনা রামা কৃষ্ণ মীসন সেভা আশ্রমগী ওনকোলোজি ব্লোক অমসু শঙ্গাখি। মসিনা কেন্সর লায়েং চথবদা হেন্না কন্নবা ফংহল্লগনি।

**অফগানঃ** ভারতনা অফগানিস্থানদা টোন অনি মখায়গী খুদক্কী ওইবা হিদাক লাংথক, মেদিকেল দিসপোসিবল কিদস অমদি খুৎশু খুৎলায়শিং তেংবাংখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়-থা অসিগী ১৬ তা কাবুলদা তৌরকখিবা এট্রেক অমদা শোকখিবা মীওইশিংগীদমক তেংবাং অসি পীবনি। ভারতনা ৱারবা মতম অসিদা অফগানিস্থানগী মীয়ামগীদমক লেপলি। মীওইবগী মীনুংশি য়েংদুনা পীবা য়াবা তেংবাংশিং ভারতনা পীগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসি মনিপুরদা ফোংলিবা পাউচেশিংদা চীফ মিনিস্তরনা হায় লেবেল রিভিউ মিতিং পাঙথোকখিবা, সিনা কৈথেলদা কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবা অমদি কুকি-জো কাউন্সিলগী মীহুৎশিংগা চীফ মিনিস্তরগা উন্নগদৌরি হায়বা পাউনা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংলি।

সনা লৈবাক পাউচেদা-চীফ সেক্রেটরি, দি.জি.পি, সেক্যুরিতি এদভাইজর য়াওনা মীফম পাঙথোকখ্রে। ইং তপ্পা হনজিল্লকবগী ৱারী শানবা সি.এমনা কুকি জো কাউন্সিলদা খঙহনখ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-কুকি জো কাউন্সিলগী মীহুৎশিংগা সি.এম. খেমচান্দগা গুৱাহাতিদা ঙসি উন্নদুনা ৱারী শান্নগদৌরি হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

কুকি জো কাউসিলগা সি.এমগা ঙসি ৱারী শানদৌরি হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কুকি মিলিটেন্টশিংনা সিনা কৈথেল, সরৈখোংগী তাঞ্জুলশিং তমা নোংমৈ অমদি বোম কাপশিল্লকপদগী খুৎ থোকখ্রে হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি-সঙাই এক্সপ্রেসকী ইংলিস এদিসন অমসুং পিপলস ক্রোনিকলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হোম মিনিস্তরনা দ্রগ লল্লোনবশিং অমসুং পুলিসতগী নোংমৈ হুরানখিবশিংগী মথক্তা থবক তৌনবা খঙহল্লকখ্রে হায়বনা পোকফমগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি গানফিয়ু মেলদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ভি.বি-জি-রাম-জিগী আউটরিটচ প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ মনিপুর মেলগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং জিলাগী কৈফুন্দাই খুলদা নোংমৈ কাপখ্রে, খুঞ্জাশিং মীপায়নখ্রে

হায়বা পাউনা গানফিয়ু মেল অমসুং তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।